**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-04-2025)**

**চৌধুরি (এল)ঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ রাজ্য মন্ত্রি-ভগীরত চোধুরিনা হায়রি-লৌমীশিংনা পোৎথোক হেন্না পুথোকপা ঙমনবা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রশিংগা খুৎশমদুনা থবক তৌমীন্নবা অমদি লৌউ শিংউ তৌবদা অনৌবা বৈগ্যানিক্কী টেকে ালোজিশিং শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

পুং খরগী খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা শ্রী চৌধুরিনা কে.ভি.কে. থৌবালদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা হায়-অহিং নুংথিল খায়দনা লৌউ শিংউগী পোৎথোক পুথোকবা হোৎনরিবা লৌমীশিংবু ঐখোয়না ইকায় খুম ফম থোকই। মখোয়না পুথোক্লিবা পোৎথোক অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মবুক থাক্লিবনি।

শ্রী চৌধুরিনা কে.ভি.কে. থৌবালদা ফামরস ক্লব কয়াগী মীহুৎশিং, তোঙান তোঙানবা ফামরস প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসনশিং, ওফিসিএল কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মহাকা থৌবালদা হেক থুংলবগা থৌবাল জিলাগী দি.সি. ওফিস কনফরেন্স হোলদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাস অমদি মনিপুর সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগকী ওফিসিএল কয়াগসু উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা খন্নখি। তুংদা, কে.ভি.কে. থৌবালগী মখাদা লৈবা লৌমীশিংনা পুথোকপা তোঙান তোঙানবা লৌউ শিংউগী পোৎলমশিং উৎপা কিষান মেলা অমসু মন্ত্রিনা হৌদোকখি।

**সেক্রেটরি (এল)ঃ** রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. সিংহনা ঙসি মনিপুর ম্যুনিসিপালিতি প্রোপরতি টেক্স বোর্ডকী ওন লাইন প্রোপরতি টেক্স প্লেটফোর্ম হাংদোকখ্রে। হায়রিবা প্লেটফোর্ম অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা

ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ২৬ শমগনি।

ইম্ফালদা লৈবা মনিপুর সেক্রেটরিয়েট সাউথ ব্লোক্কী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরিনা হায়-অনৌবা ওন লাইন প্লেটফোর্ম অসি নীংথিনা শিজিন্নবা হৌনবা ত্রেন্নিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। প্লেটফোর্ম অসিনা মীয়ামগী তঙাইফদবা থবকশিং য়ামা লায়না পাঙথোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল অবার্ন দিজিটেল মীসনগী চীফ প্রোগ্রাম ওফিসার-মন্ত্রিক সিংহগসু ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা ৱারী শান্নখি।

থৌরম অদুদা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**পঞ্চায়ট (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী রুরেল দিভলপমেন্ট পঞ্চায়াতি রাজ (আর.দি এন্দ পি.আর) বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি নেসনেল পঞ্চায়াতি রাজ নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে ।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না কেন্দ্র সরকারগী পঞ্চায়াতি রাজ মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরিনা থারকপা এপ্রিসিয়েসন লেট্টর য়াওনা রাজ্যগী থাক্তা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপগীদমক নেসনেল পঞ্চায়ট এৱার্দ ২০২৩ ফংলবা গ্রাম পঞ্চায়টশিংদসু মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবন, এস.আই.আর.দি কমপ্লেক্সতা পাঙথোখিবা থৌরম অদুদা আর.দি. এন্দ পি.আরগী দিরেক্তর কে.এস.ঐচ. উমানন্দ, চীফ ফাইনান্স ওফিসার-মৈস্নাম চনু লিক্লাইনু অমদি দিপুতি দিরেক্তর-অবুজম রোমেননা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

**ই-রিক্সো (এল)ঃ** কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুার রঞ্জন সিংহনা ঙসি অমোৎ-অকায়শিং খোমগৎনবা ই-রিক্সো য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা নান্দৈবম লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা

থৌরম অমদাই-রিক্সো ২৬ স্লোম টাউন্দ ম্যুনিসিপাল অমসুং ক্লবশিংদা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা ডা: রঞ্জননা হায়-ঙসি য়েন্থোক্লিবা ই-রিক্সোশিং অসি মহাকা মন্ত্রি ওইরিঙৈ মতমদা মতম অদুগী কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম মন্ত্রিদা ই-রিক্সোশিং অদু পীবিনবা হায়জখিবদগী পীরকখিবা ই-রিক্সোশিংনি। ই-রিক্সোশিং অসিনা অমোৎ অকায়শিং খোমগৎতুনা মফম চানা লোয়শিন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

**মৈ (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি সুরজা ঘর মুফ বিজলি য়োজনাগী কান্নবা মীয়ামনা লৌবীনবা মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদ (এম.এস.পি.দি.সি.এল) না হায়রি।

অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা অখন্ননা উন্নবা অমদা এম.এস.পি.দি.সি.এলগী ইগজ্‌কিটিব দাইরেক্তর (টেকিকেল) মংশতাবম রবিনা হায়-হায়রিবা স্কিম অসি লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা য়ুমথক্তা সোল্লর প্লেট থমদুনা মৈ পুথোক্তুনা ইশাগী শিজিন্নবগা লোয়ননা অরেম্বা মৈনা য়োনদুনা শেল তানবগী খুদোংচাবসু পীরি। অসিগুম্বা ফজরবা স্কিম অসিগী কান্নবা মীয়ামনা লৌমীন্নদুনা রাজ্য অসিগী মৈগী অৱাৎপা লৈরিবা অসিদা মেনখৎনবা মতেং পাংবগা লোয়ননা মৈগী মতাংদা ইরোদোম লেপচবা য়ুমথোং অমমম ওইননবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু শ্রী রবিনা আপিল তৌরি।

শ্রী রবিনা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক মৈগী অৱাবা মায়োকরি। রাজ্য অসিদা কম্পানি অসিনা মৈ পীনবা হোৎনবদা থা অমদা লুপা কোতি ৭৮ রোম চাদিং তৌরি। কঞ্জুমরশিংগী কারক্লিবা শেনফমনা লুপা কোতি ৬৪ খক্তনি। মরক অদুনা, থা খুদিংগী লুপা কোতি ১৪ গী চাংদা পুত্থরি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা আইননা য়াদবা মওংদা লোন্না মৈ কোৎতুনা থানবগী থবক মফম কয়াদা চত্থরকপা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং মখা তানা চত্থবীদনবা শ্রী রবিনা আপিল তৌরি।

**তাদুবী (এল)ঃ** তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনা ভোটর লিষ্টতা মিং হাপচিন্নবা অমসুং লৌথোকপগা মরী লৈননা পীশিল্লকপা চেরোলশিং কেন্দ্র অসিগী ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারনা সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ৱেব সাইটতা থাগৎলে। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎলগনি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** জুভিনাইল জষ্টিস সিষ্টেম ওভরভিয়ু অমসুং প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিয়েজ এক্ট-২০০৬ কী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং খুনৌ গভরমেন্ট স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-ককচিংনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**ভেক্সিন (এল)ঃ** ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী মীৎয়েং মখাদা পিছফুল ক্লব খুরাইনা ভেটিরিনারি ওফিস ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম রগা রেভিস লায়নাদগী ঙাকথোকবা য়ুমদা য়োকপা হুই-হৌদোংশিং পাক শন্না হিদাক কাপথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পুন্না হুই-হৌদোং ১৫০ রোম হিদাক কাপথোকখি।

অমরোমদা, ইনরজেটিক য়ুথস দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা অমুকোগী মখাদা শিনদুনা ঙসি শামুরৌ কৈথেলদসু লেমা রেভিসকী হিদাক কাপথোকপগী থৌরম পাঙথোকখি। মদুদা, হুই-হৌদোং ১৫০ রোম হিদাক কাপখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** নেসনেল লাইফলিহুদ মীসন ২০২৪-২৫ গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিস চান্দেলনা শিনদুনা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ওক লোইবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং অমা ঙসি চান্দেলগী লাম্বুং খুল কম্ম্যুনিতি

হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অখণ্ড অহে কয়ানা ওক য়োকপগী মতাংদা নীংথিনা তাকপী তন্বীখি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২১ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ২৭ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি থা অসিগী ২৭ কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-টেরোরিষ্টশিং অমসুং মখোয়বু শৌগৎলিবশিং ভারতনা ফংনবা থিগনি অমসুং শোয়দনা চৈরাক পীগনি। ৱাফম অসি ঙসি বিহারগী মধুবনিদা পাঙথোকপা নেসনেল পঞ্চায়াতি রাজগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-অসিগুম্বা কা হেনবা অরানবা থৌওং চথবশিং মালেমগী লৈমাইদগী মুখৎনবা ভারতনা ঙমজবী থাক্তা হোৎনগনি। টেরোরিষ্টশিংবু কৈদৌনুংদসু দন্দি পীদনা লেমা খক থাদোক্লোই। পাহলগাম টেরোরিষ্ট এটেক্কী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা লৈবাক অসিনা মতিক চাবা থবক শোয়দনা পাঙথোক্কনি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী অশেংবা অচুম্বা ৱাখল্লোনশিং টেরোরিষ্টশিংনা কৈদৌনুংদস্ নাথৈহনবা ঙমলোই। মীওইববু নুংশিবগী ৱাখল চেনবা মীপুম খুদিংমক ভারতকা শোয়দনা চৎমিন্নগনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মালেমগী

লৈবাক কয়া অমদি লুচিংবা কয়ানা ভারতকা পুন্না লেপমীন্নগনি হায়না ফোংদোরক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। পাহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক চথখিবা অদু লম কোইবা লাকপা মীওইশিংদা চথবা ইচম চন্বা এটেক নত্তে। মদু লৈবাক অসিগী মায়োক্তা শিংনবা অমগা লোয়ননা চথরকখিবা থৌওংনি।

মরক অসিদা, ভারতকী লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি, হয়েং জম্মু কাশ্মিরদা চৎতুনা পাহলগাম তেরর এটেক্কী মতাংদা মখা তানা য়েংশিনগনি। মহাকা মফম অদুদা থুংবগা সেক্যুরিতিগী অৰাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্কনি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংসু জেনরেল দ্বিবেদিনা হন্না য়েংশিনগনি।

অমরোমদা, পাহলগাম তেরর এট্রেক্কী মতুংদা ভারতনা পাকিস্তান মচাশিংদা ভিজা পীবা খুদক্তগী লেপখ্রে। হান্ননা পীখিবা ভিজাশিংসু থা অসিগী ২৭ তগী চৎনররোই হায়রি। অদুমওইনমক, অনা লায়েংগা মরী লৈননা পীবা ভিজাগী ওইনদি থা অসিগী ২৯ ফাওবা চৎনখিগনি।

**ওপরেসনঃ** জম্মু কাশ্মিরগী উধমপুর জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথবদা টেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-জিলা অদুগী দুদু-বসন্তগর এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী কোইশিনদুনা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। মদুদা লুমদুনা লৈরম্বা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি।  পাউ অসি ফংবা মতম ফাওবদা মখা তানা ওপরেসন চথরি। থৌদোক অদুদা লান্মীগী জৱান অমা লৈখিদ্রে হায়রি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগর অমসুং তেলঙ্গানাগী ঙমখৈ পরিংদা মাওইষ্ট অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সকী মরক্তা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট অহুম শিরে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ছাতিসগরগী বিজাপুর জিলাদা লৈবা কারেগুত্তা চিংদা

এন্টি নক্সল ওপরেসন চত্থবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অককবা পাউ অমা ফংবদগী হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ছাতিসগর, তেলঙ্গানা অমদি মহারাস্ত্রগী সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চত্থরকখিবনি। ওপরেসন অসি মাওইষ্টশিংগী মথক্তা খ্বাইদগী চাউবা ওপরেসন অমনি।

**যোগ (এল)ঃ** ষ্টেট লেবেল যোগ ওলিম্পিয়দ-২০২৫ দা শরুক য়াগদবা ইম্ফাল ইষ্টকী যোগ শান্নরোইশিং খন্ননবা জিলা থাক্কী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৮ দা লমফেল হায়স্কুলদা পাঙথোক্লগনি।

য়াওনিংবা স্কুলশিং নৎত্রগা শান্নরোইশিংনা নুমিৎ অসিগী পুং ৯ দা লাকপীনবা জেট.ই.ও. জোন (টু) না থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

**টেবল (এল)ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিয়েসননা শিনদুনা ২২ শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব টেবল টেনিস চেম্পিয়নসিপ ঙসিদগী থৌবাল ৱাংমাতাবদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিয়েসনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ২৭ ফাওবা চত্থগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অৱাং লৈকিন্থবী মোদেল য়ুথ এসোসিয়েসননা শিনদুনা থা অসিগী ২০ দগী অৱাং লৈকিন্থবী ফুটবোল গ্রাউন্দদা চত্থরক্লিবা অহানবা অৱাং লৈকিন্থবী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা খোমহামপাৎ এফ.সি. অমদি রাইটর ক্লব পঞ্জাল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, জে.জে.এফ.এ-হাওখা কিয়ামনা মোইরাং কম্পু এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা অহানবা য়ুনাইতেদ সাউদর্ন এরিয়া ইন্তর

ভিলেজ কপ ২০২৫ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ন্যু ৱাংপরালনা খুদৈ খুনৌবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ওল্ড ৱাংপরালনা খুরিংমুলবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** চহি ১৩ গী মখাগী নুপামচাশিংগী ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ইশোক এফ.সিনা থোই-এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**কাং (এল)ঃ** লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন্না শিন্দ্না চৎথরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়রস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-হিয়াংলম কেন্দ্রনা শিংজমৈ কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬-১৫ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ১৯ মখাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা রুল মৈত্রমনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিনা এস.য়ু. শগোলবন্দবু ৱিকেট ৯ দা, ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. লালাম্বুং মখোঙনা রেজ খ্বাই নাগামপাল লামাবম লৈকাইবু ৱিকেট তরেৎতা, এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু রন-৪৪ দা, ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা মোদেল শিংজমৈ চিংঙামখাবু ৱিকেট অহুমদা থোইখি।